**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 04-03-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভাল্লানা সভাপতি ওইদুনা মনিপুরগী হৌজিক ওইরিবা শান্তি রক্সাগী মতাংদা খন্নখ্রে।

২) বিষ্ণুপুর জিলাগী তোঙান তোঙানবা পুলিস ষ্টেসনশিংদা ঙসি খুৎশু খুৎলায় কয়ামরুম খুৎশিন্নরকখ্রে।

৩) দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনশিংনা শিনদুনা নসা মুক্তা ভারত অভিয়ান কেম্পেইন ঙসি থৌবাল অমসুং ককচিং জিলাদা পাঙথোকখ্রে।

৪) রাজ্যগী লৌউ শিংউ বিভাগনা হায়রি-লৌমীশিংনা মখোয়গী পোৎথোক হেন্না পুথোকবা হোৎনবদা বিভাগ অসিনা পাংবা য়াবা মতেং পাংগনি।
অমসুং
৫) চীফ ইলেক্তোরেল ওফিসারশিং, দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসারশিং অমসুং বুথ লেবেল ওফিসারশিংনা তঙাইফদবা মীখলগা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিং নিতি নিয়ম ঙাকবা চীফ ইলেক্সন কম্মিস্নারনা খঙহনখ্রে।

**------**

রাজ্যপাল (এল)ঃ রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভাল্লানা সভাপতি ওইদুনা মনিপুরগী হৌজিক ওইরিবা শান্তি রক্সাগী মতাংদা ৱাফম কয়া খন্নখ্রে।

ইম্ফালগী রাজ ভবনদা পাঙথোকপা মীফম অদুদা রাজ্য অসিগী হৌজিক ওইরিবা শান্তি রক্সাগী ফিভমগী মতাংদা কুপা খন্নখি হায়রি। গভনর

সেক্রেটরিয়েটনা থোকপা চেরোল অমনা হায়-হন্দক্তা ন্যু দিল্লিদা গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহনা সভাপতি ওহদুনা মনিপুরগী ওইরিবা ঙাকশেল অমসুং শান্তি রক্ষাগী মতাংদা পাঙথোকখিবা মীফম অদুগী মখা তারকপদা ঙসিগী মীফম অসি পাঙথোকপনি হায়রি।

ঙসিগী মীফম অদুদা চীফ সেক্রেটরি-পি.কে. সিংহ, সেক্যুরিতি এদভাইজর-কুলদিপ সিংহ, দি.জি.পি. রাজিব সিংহ, কম্মিস্নার (হোম) এন. অশোক কুমার, জি.ও.সি. থ্রি কোর লেফটনেন্ট জেনরেল-অভিজিৎ এস. পেন্থরকর, জি.ও.সি. ফিফতি সভেন মাউন্টেন্ট দিভিজন মেজর-জেনরেল এস.এস. করপিকিয়া, আই.জি.এ.আর (সাউথ) মেজর জেনরেল-রপরুব সিংহ, মনিপুর পুলিসকী এ.দি.জি.পিশিং, সি.আর.পি.এফকী আই.জি.-রাজেন্দ্র নরায়ন দাস অমসুং বি.এস.এফকী আই.জি. এস.কে. মিশ্রা শরুক য়াখি।

নীংশিংবা য়াই, হৌখিবা শগোলশেন নুমিৎতা ন্যু দিল্লিদা লৈবা গৃহ মন্ত্রালয়গী ওফিসতা মনিপুরগী হৌজিক ওইরিবা ফিভমগী মতাংদা পাঙথোকখিবা মীফমদা মনিপুরগী লম্বী পুমমক্তা থা অসিগী ৮ দগী মীয়াম অয়েৎ-অপন য়াওদনা চৎথোক চৎশিন য়াহন্নবা থবক লৌখৎনবা গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহনা খঙহনখিবনি।

রাজ্য অসিগী মীয়ামদগী নমদুনা শেল খায়বগী থৌওং চথরক্লিবা অসি থিংননবা মখা তানা অকনবা থবক লৌখৎনবসু শ্রী অমিত সাহনা পাউতাক পীখি। মসিগী মথক্তা ঙমখৈ শন্বল খাবগী থবক য়ারিবমখৈ থুনা লোয়শিন্নবা হোৎনগনি হায়নসু মহাকা থাজবা থাজবা ফোংদোকখি।

সরেন্দর (এল) ঃ মনিপুরগী রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভাল্লানা নৌনা চেরোল অমা থোক্কুনা মীয়ামনা আইন কায়না শিজিন্নরিবা খুৎশু খুৎলায়শিং পীখৎলকবা থাখিবা মতম মার্চ তরুক্তা লোয়রে। মীয়ামনা মখা তানা খুৎশু খুৎলায় পীখৎনরক্লি।

পুলিসকী পাউনা হায়-ঙসিসু বিষ্ণুপূর জিলাগী তোঙান তোঙানবা পুলিস ষ্টেসনশিংদা খুৎশু খুৎলায় কয়ামরুম পীখৎলখ্রে। বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট পুলিস

কম্মান্দো য়ুনিটকী খুত্থাংদা এস.এল.আর. অনি, কাপ্পা য়ারিবা মরু ৩৬ য়াওবা মেগজিন অনি, এল.এম.জিগী অহাংবা মেগজিন অনি, কাপ্পা য়ারিবা মরু ৯, থ্রি নোট থ্রি রাইফল অমা, মেগজিন অনি, থ্রি নোট থ্রিগী কাপ্পা য়ারিবা মরু ১৫, সিঙ্গল বেরেল নোংমৈ অমা, দিটোনেটর মঙা অমসুং হেন্দ গ্রেনেদ অমা পীখৎলকখি।

কুম্বী পুলিস ষ্টেসনদসু লোকেল মেদ বোল্ট এক্সন রাইফল অনি অমসুং মেগজিন য়াওবা লোকেল মেদ পিষ্টোল অমা পীখৎলকখি লোয়ননা ফৌগাকচাউ ইখায় পুলিস ষ্টেসনদসু মেগজিন য়াওবা এস.এম.জি. করবাইন অমা অমসুং সিঙ্গল বেরেল নোংমৈ অমা খুৎশিন্নরকখি।

তোম্বী (এল)ঃ গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহনা নেসনেল হায়ৱেশিং থা অসিগী ৮ ফাওবগী মনুংদা অশোয় অঙাম য়াওদনা চৎথোক চৎশিন য়ানবা খঙহনখিবা ৱাফমশিং কুকি সি.এস.ওশিংনা য়ানিংদবা ফোংদোরক্লিবা অদুবু শিব সেনা মনিপুর প্রদেসনা কন্না য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি।

ইম্ফালদা লৈবা দলগী ওফিসতা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা দলগী প্রসিদেন্ট-এম. তোম্বীনা হায়-নেসনেল হায়ৱেশিংদা অপনবা পীবনা অপিক-অপিকপা করবার তৌরিবা অমদি নোংমগী শুরগা চরা তাল্লিবা মীওইশিংদা চাউনা খুদোংচাদবা মায়োকহল্লি। কেন্দ্রনা হায়ৱেশিং হাংদোকবা লৌখিবা খোঙথাং থাগৎপা ফোংদোক্লদুনা শ্রী তোম্বীনা হায়-সরকারগী ৱারেপ্তা কুকি সি.এস.ওশিংনা ফোংদোরকখিবা ৱাফমশিং হকচিন্না লৌফম থোকই।

কোকোমি (এল)ঃ কেন্দ্র সরকারনা নেসনেল হায়ৱেশিং হাংদোকবা খঙহনখ্রবা মতুং কমিতি লন ত্রাইবেল য়ুনিটি (কোটু) না থোরকখিবা ৱাফমশিং কোওর্দিনেটিং কমিতি ওন মনিপুর ইন্টিগ্রীতি (কোকোমি) না কন্না য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি। গৃহ মন্ত্রি অমসুং ভারত সরকারগী মায়োক্তা মখোয়না ৱাফমশিং ফোংদোরক্লিবা অসি সংবিধানগী মায়োক্তা ওইবতা নত্তনা লৈবাক অসিগী অপুনবগী শক্তম, আইন অমসুং শান্তি রক্সাগী ফিভমদা শিংনরকপনি।

থৌবাল (এল)ঃ নসা মুক্তা ভারত অভিয়ানগী মখাদা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন থৌবাল অমসুং দিষ্ট্রিক্ট সোসিএল ৱেলফিয়ার ওফিস থৌবালনা পুন্না শিনদুনা কেম্পেইন অসিগী শরুক অমা ওইনা মোবাইল ভেহিকল অমা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-অহন্থেম সুভাসনা লমথাখ্রে।

নিশাগী পোৎলমশিং শিজিন্নবনা মীয়ামগী হকচাংদা কয়া য়ামা শোকহনবগে হায়বদু খঙহন্নবগী পান্দমদা মোবাইল ভেহিকল অদু লমথাখিবনি। লমথাবগী থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা দিপ্যুতি কম্মিস্নারনা হায়-থৌবাল জিলাবু নিশা শিজিন্নদবা জিলা অমা ওইহন্নবা হোৎনবদা অসিগুম্বা থৌরমশিং অসিদা মীয়মানা শরুক য়াবীনবা আপিল তৌরি।

থৌরম অসিগী শরুক অমা ওইনা থৌবালদা লৈবা বিল্লিয়ন একাডমীদসু মহৈরোইশিংবু নিশা শিজিন্নবনা হকচাংদা মাঙহনবগী মতাংদা হেন্না খঙহন্নবা থৌরম অমা পাঙথোকখি। মদুদা মহৈরোই ১৩০ হেন্না শরুক য়াখি।

ককচিং (এল)ঃ দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন ককচিংনা দিষ্ট্রিক্ট সোসিএল ৱেলফিয়ার ওফিস-ককচিংগা পুন্না শিনদুনা দিষ্ট্রিক্ট নসা মুক্তা ভারত অভিয়ানগী মখাদা সেন্সিটাইজেসন প্রোগ্রাম অমা লাংমৈদোংদা পাঙথোকখ্রে।

নসা মুক্তা ভারত অভিয়ান অসি কেন্দ্রগী সোসিএল জষ্টিস অমসুং ইমপৱারমেন্ট মন্ত্রালয়না ইং ২০২০ গী আগষ্টতা লৈবাক শিনবা থুংনা হৌদোকখিবনি। মসিগী মরুওইবা পান্দমদি, ভারতপু নিশা শিজিন্নদবা লৈবাক অমা ওইহন্নবনি। কেম্পেইন অসি লৈবাক অসিগী জিলা ৩৭২ দা হৌদোকখি।

নীংশিংবা য়াই, দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন অমসুং দিষ্ট্রিক্ট সোসিএল ৱেলফিয়ারনা কেম্পেইন অসিগী মখাদা তোঙান তোঙানবা গ্রাম পঞ্চায়টশিংদা থৌরমশিং পাঙথোক্কুনা লাক্লি।

ফামরস (এল)ঃ লৌউ শিংউ বিভাগকী দিরেক্তর-পিটর সলামনা হায়রি-বিভাগ অসিগী মরুওইবা দায়ত্বদি লৌমীশিংনা মখোয়গী পোৎথোক হেন্না পুথোকহনবা হায়বসিনি। লৌমীশিংনা পোৎথোক হেন্না পুথোকবা হোৎনবদা

বিভাগ অসিনা পাংবা য়াবা মতেং পাংনবা থৌরাং তৌদুনা লৈ।

লমফেলপাৎ ইম্ফালদা লৈবা ইন্দিয়ান কাউন্সিল ওফ এগ্রীকলচরেল রিছার্স (আই.সি.এ.আর) গী লোক্তাক ফামরস ত্রেন্নিং হোষ্টেলদা পাঙথোকপা ফামরস মিট কম ইগজিবিসনগী থৌরমদা ৱা ঙাংলদুনা শ্রী পিটর সলামনা হায়-লৌমীশিংনা লৌউ শিংউ বিভাগতা লাক্কুনা অনৌবা মখলগী ৱাখল্লোনশিং খঙদোকবা হোৎনগদবনি। ফিল্ডদা মথৌ তৌরিবা ওফিসিএলশিংসু য়ারিবমখৈ লৌফমশিং চৎতুনা য়েংশিন্নবা হোৎনগদবনি।

মায় পাক্লবা লৌমীশিংগীদমক হরাউ ফোংদোকপা হায়বা হীরমদা-আই.সি.এ.আরনা শিনদুনা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদগী লাকপা লৌমীশিংদা অফবা মখলগী মরু-মরাংশিং, য়েন-ঙানু অমদি শা-ঙাগী মচিঞ্জাকশিং য়েন্থোকখি।

ত্রাফিক (এল)ঃ মনিপুর ত্রাফিক কন্ত্রোল পুলিস ৱিং অমসুং হোমলেন্দ সেক্যুরিতি সার্ভিসকা খুৎশমদুনা ঙসি সেক্যুরিতি সার্ভিস অসিগী নহাশিংদা মতৌ করমা ত্রাফিক্কী নিতি-নিয়ম ঙাকা চৎহনগনি হায়বগী মতাংদা তাকপা তম্বীবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

ঙসি ইম্ফালগী তোঙান তোঙানবা গাড়ি চিনবা মফমশিংদা হোমলেন্দ সেক্যুরিতিগী পার্সোনেলশিংবু ত্রাফিক কন্ত্রোল পুলিসকী পার্সোনেলশিংনা গাড়ি চিনবা মতমদা মতৌ করমা মীয়াম চৎথোক চৎশিন তৌহনগনি হায়বদু নীংথিনা খঙহনখি। হীরম অসিগা মরী লৈননা মনিপুর ত্রাপিক কন্ত্রোল পুলিসকী এস.পি. প্রমেস অরাম্বমনা হায়-হৌজিক্কী মতমদা লন্নাই সেক্যুরিতিগী য়ামমক তঙাইফদবা লাক্লে। মসিদা হোমলেন্দ সেক্যুরিতি সার্ভিসনা পায়খৎলক্লিবা খোঙথাং অসি শিংথানিংঙাইনি।

লেন (এল)ঃ হৌখিবা থাংজ অমসুং নোংমাইজিং নুমিৎকী লোন্নবা অহিংদা লেন য়াওবা নোংলৈ নুংশিৎনা অমাং অতা থোকহনখ্রবা থৌবাল জিলাগী য়াইরিপোক খোইরোম, কেক্রু অমসুং হৈত্রোইপোকপীদা মনিপুর সরকারগী

রিলিফ এন্দ দিজাস্তর মেনেজমেন্টকী মীহুৎ কাংবু অমনা ঙসি জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নারগা লোয়ননা য়েংশিনখ্রে।

খোঙচৎ অদুদা স্পিসিএল সেক্রেটরি রিলিফ এন্দ দিজাস্তর মেনেজমেন্ট-সোমোরজিৎ সলাম, দাইরেক্তর-কজাইগাং গাংমৈ, দিপ্যুতি কম্মিস্নার-অহন্থোক সুভাস, লাইরোংথেম নিঙেল গ্রাম পঞ্চায়টকী চেয়ারপার্সন সলাম কুমার অমসুং এস.দি.ও. থৌবাল শরুক য়াখি।

বিষ্ণুপুর (এল)ঃ মোইরাং কেন্দ্র অপুনবা লৌমী শিন্মী অমসুং নুপী লুপ বিষ্ণুপুরনা রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভাল্লাদা লৌ উবা য়াদবা লৌফমশিং লৌ উহন্নবা অমদি মমাং চহিগী ক্ষেতিপুরোনশিং পীথোকপীনবা হায়জখ্রে।

লুপ অসিনা রাজ্যপালদা ইবা চেরোল অমদা হায়- ইং ২০২৩ গী মার্চ অহুমদগী থোক্লকখিবা ইরাংনা বিষ্ণুপুর জিলা খক্তদা লম একর লিশিং অহুমলোম লৌ উবা য়াদনা লৈরি। মসিনা চহি খুদিংগী ফৌবোৎ লাখ ৮ লোম পুথোকপা ঙমদনা মাঙদুনা লৈরি।

চেরোল অদুনা হায়-সরকারনা শোকহল্লবা লৌমীশিংদা পীগদবা ক্ষেতিপুরোনশিং পীথোক্তনা লৈরি। মরম অদুনা অথুবা মতমদা পীথোকপীনবা হায়রি।

মৈ (এল) ঃ নেসনেল হায়ৱে ৩৭ ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বীগী লৈঙাংপোকপী এরিয়াদা লম্বী শেম্বগী লৈবাক হোন্দোক হোনজিন তৌবা এপেক্স কম্পানিগীনি হাইবা ত্রক অমা ঐচ.টি. লাইন শোক্লুবদগী মৈ হৌরক্তুনা চাকখ্রে।

থৌদোক অসি ঙসি অয়ুক পুং মরি মিনিট ৩৮ তাবা মতমদা থোকখিবনি। থৌদোক অদুগী পাউ হেক ফংবগা জিরিবাম ফয়ার সার্ভিস সব-ষ্টেসনগী কাংবুনা মতম চানা লাক্তুনা গাড়ি অদু কা হেন্না অমাং অতা থোক্কদবদগী কনখি।

অমরোমদা, নুংথিল পুং ১ মিনিট ৪০ রোম তাবা মতমদা জিরিবামগী লখিপুরদা লৈবা এম.এস.ইনর্জি ষ্টেসন ওইল পম্পগী ইলেক্ট্রিক্ট পেনেল রুম মৈ হৌরকপদগী মীয়াম মীপায়নখ্রে। অদুমওইনমক, জিরিবাম ফয়ার

সার্ভিসকী সব-ওফিসার-সি.ঐচ. রঞ্জিৎ কুমারনা লুচিংবা কাংবুনা মতম চানা লাক্তুনা চাউনা অমাং অতা থোকলমগদবদগী কলহৌরে হায়না মনিপুর ফয়ার সার্ভিসকী কন্ত্রোল রুমগী চেরোল অমনা হায়রি।

এআর (এল)ঃ মনিপুরদগী মহৈরোই ২৮ নেসনেল ইন্টিগ্রেসন টুরগী শরুক অমা ওইনা দিল্লিদা চৎতুনা রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমুগা উন্নখে।

নুপামচা ১৭ অমসুং নুপীমচা ১১ য়াওবা খোঙচৎ অদুদা ইন্দিয়া গেট অমসুং নেসনেল ৱার মেমোরিএলদসু চৎখি। রাস্ত্রপতি ভবনদা রাস্ত্রতি-দ্রৌপদি মুরমুগা উন্নবা অদুদা রাস্ত্রপতিনা মহৈরোইশিংদা হেন্না কন্না হোৎনদুনা মখোয়গী মঙলান মংফাওনহন্নবা হোৎনগদবনি হায়খি। ভারতকী তুংগী ফিভম হেন্না ফগৎনবা হোৎনবদা অমত্তা ওইবা অমসুং শিক্ষা হায়বসি য়ামা মরু ওই হায়না রাস্ত্রপতিনা মহৈরোইশিংদা খঙহনখি। খোঙচৎ অদু অসাম রাইফলসনা শিনবনি।

নোনে (এল)ঃ অসাম রাইফলসনা ঙসি নোনে জিলাগী হাউচোং খুলদা নৌনা শাবা ৱেটিং সেদ অমা শঙ্গাখ্রে। ওপরেসন সদভাবনাগী মখাদা শেমগৎপা ৱেটিং সেদ অদু নোনে বটালিয়নগী কম্মান্দেন্টনা মীয়ামদা খুৎশিন্নখি।

ইলেক্সন ঃ চীফ ইলেক্তোরেল ওফিসারশিং, দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসারশিং অমসুং বুথ লেবেল ওফিসারশিংনা তঙাইফদবা মীখলগা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিং নিতি নিয়ম ঙাকা মপুং ফানা তৌনবা চীফ ইলেক্সন কম্মিস্নার-গ্যানেস কুমারনা হায়রি।

ন্যু দিল্লিদা রাজ্য অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংগী চীফ ইলেক্তোরেল ওফিসারশিংগী নুমিৎ নিনি চপ্থরিবা মীফমদা ৱা ঙাংলদুনা মহাকা হায়-রাজনিতি দলশিংগা তোয়না মীফম পাঙথোক্তুনা য়েৎনবশিং লোয়শিন্নবা হোৎনগদবনি।

চীফ ইলেক্সন কম্মিস্নারনা হায়-রাজ্য অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংগী চীফ ইলেক্তোরেল ওফিসারশিংনা লৌখৎলকপা ৱাকৎশিংগী থবক থা অসিগী ৩১ ফাওবদা মরি লৈনবা দিপ্যুতি ইলেক্সন কম্মিস্নারশিংদা পীখৎকদবনি।

শ্রী গ্যানেস কুমারনা হায়-চহি ১৮ গী মথক্তা লৈবা লৈবাক অসিগী নাগরিক খুদিংমক ইলেক্তোরেল রোলদা মিং চলহন্নবা ওফিসিএলশিংনা হোৎনগদবনি। পোল্লিং বুথ অমমমদা য়ামদ্রবদা ভোটর ৮০০ দগী লিশিং ১,২০০ ফাওবা লৈনবা হোৎনগদবনি। খুঙ্গংগী লমশিংদা ভোট থাদবা মতমদা তঙাইফদবা খুদোংচাবশিং পোল্লিং বুথশিংদা ফংহন্নবা হোৎনগদবনি।

ক্রিকেটঃ আই.সি.সি. মেন্স চেম্পিয়নসিপ ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী অহানবা সেমি ফাইনেলদা হৌজিক ভারতকা ওষ্ট্রেলিয়াগা শান্নরি। দুবাই ইন্টরনেসনেল ষ্টেদিয়মদা শান্নবা মেটচতা ওষ্ট্রেলিয়ানা টোজ ঙমদুনা হান্না বেটিং তৌবদা অপীবা ওভর ৪৯ বোল অহুমদা ৱিকেট পুমমক তুরগা রন ২৬৪ লৌখি।

টি-টোইন্তি (এল)ঃ ১২ শুবা টি টোইন্তি মনিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা ক্বাটর ফাইনেল মেটচতা ৱাই.পি.ঐচ.য়ু-লালাম্বুং মখোঙনা সাইক্লোন-থাংমৈবন্দবু রন-১৭ তা থোহখ্রে।

মরিশুবা ক্বাটর ফাইনেল মেটচতা নপসা-খা ইম্ফালনা ৱাই.ডব্লিয়ু.সি. লংথাবালবু ৱিকেট মরিদা থোইখি।

মরিশুবা এম.এন.সি.এ. সেনিয়ার ৱিমেন্স ৱান ডে ত্রোফি ২০২৪-২৫ গী ঙসি সেদোগ গ্রাউন্দ কোংবা ধোবি লম্পাক্তা শান্নখিবা মেটচতা পি.টি.আর.সি. পাৎশোইনা অল-অমিন লিলোংবু ৱিকেট ১০ দা থোইখ্রে।

৯ শুবা এম.এন.সি.এ. ডব্লিয়ু. প্রহালাদা এন্দ ডব্লিয়ু. রামানন্দা ইলিট টুর্নামেন্ট ২০২৪-২৫ গী ঙসি লাইরেঞ্জম পাব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতা ই.এস.য়ু. ৱাংখৈনা এস.সি.সি.সি. শিংজমৈ থোঙাম লৈকাইবু রন-১১৪ দা থোইখি।

ফুটবোল (এল)ঃ ১৭ শুবা মনিপুর ষ্টেট লিগকী ঙসি শান্নখিবদা-সঙ্গাই হিরোজনা সৈনিক স্কুল ইম্ফাল ওল বোইজ ফুটবোল ক্লবপু পাঙ্গল ২-০ দা থোইখি।

অতোপ্পা মেটচ অমদা নেরোকা এফ.সিনা ক্লাসা-কৈনৌবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখি।

হোকি (এল)ঃ অহানবা ষ্টেট লেবেল থোঙাম ইবোয়াইমা সিংহ মেমোরিএল মাস্তর হোকি চেম্পিয়নসিপ এন্দ অন্দর ফোরতি বোইজ এন্দ গালর্স হোকি টুর্নামেন্ট ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা-এম.এল.ঐচ.এ. ময়াই লম্বীনা সেয়ো-অকম্পাৎপু পাঞ্জল ১৩-০ দা থোইখি। অতোপ্পা মেটচ অমদনা পি.ডব্লিয়ু.সি. তৌবুংখোকা আইদেল ক্লব-তেরা বজারবু ১৫-০ দা, টি.ঐচ.ঐচ.এ. থৌবালনা ফম-থাংমৈন্দবু পাঞ্জল ১৭-০ দা অদুগা টি.ডব্লিয়ু.সি. তাওবুংখোকা সেয়ো-অকম্পাৎপু পাঞ্জল ৫-০ দা থোইখি।

হেন্দবোল (এল)ঃ উত্তর প্রদেসকী হ্থরাজতা থা অসিগী ৩১ দগী হৌদুনা পাঙথোক্কদবা সেনিয়ার ৱিমেন নেসনেল হেন্দবোল চেম্পিয়নসিপ অমসুং লক্ষনৌদা পাঙথোক্কদবা ৪৭ শুবা জ্নিয়ার গালর্স নেসনেল হেন্দবোল চেম্পিয়নসিপতা শরুক য়াগদবা মনিপুরগী সেনিয়ার অমসুং জ্নিয়ার ৱিমেন টিমগী ত্রাইয়েল সেলেক্সন পাঙথোক্লগনি। ত্রাইয়েল সেলেক্সন অসি থা অসিগী ২৬ তগী হৌরগা ৩০ ফাওবা চথগনি। ত্রাইয়েল সেলেক্সন অসিদা শরুক য়াগদবা শান্নরোইশিংগী মিং থা অসিগী ৯ ফাওবদা মনিপুর হেন্দবোল এসোসিয়েসনগী সেক্রেটরিদা পুশিল্লকবা খঙহল্লি।

------